থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# ‘থবক’- ঙরাং অমসুং ঙসি

মতম লেনবা হায়বা ৱাহৈ অসিগী অতোপ্পা মফোঙদোক অমা থিবা তারবদি, অদোমসু শোয়দনা হায়রক্কনি,- থবক লৈতবা, নৎত্রগা থবক তৌফম খঙদবা। তশেংবমক্তি হিংবা হায়বসিসু থবক অমা ওইরিবনা, থবক লৈতবা মী লৈতবা হৌনদবনি। থৱায় পানবা অমা ওইনা পোক্লবা খূদিংমক, পুন্সিদুগা শাগোন্নরিবমখৈ করিগুম্বা খরা তৌদবা য়াদে। হিংনবগীদমক করিগুম্বা খরা তৌরিবদু ‘থবক’নি। শা-ঙা, তুমীৎ কাঙসু থবক তৌই।

ৱাখল খনবা ঙম্বা মীওইবনা, ৱাখল লৌশিং চাউখৎলকপদগী, অমম-অঙান খায়বসিগুম থবকসু মখল অনী খায়দোরকই- অফবা থবক, ফত্তবা থবক। অফবা থবক তৌরিবা মীদুবু কৌই ‘অফবা মী’, ফত্তবা থবক তৌরিবদুবুনা- ‘ফত্তবা মী’। অদুবু মী হায়বসিদি, অফবা নৎত্রগা ফত্তবা মী হায়দুনা তোঙান তোঙান পোক্লকপা নত্তে। মী খূদিংমক্তা অফবা, ফত্তবা গুন অনীমক তুনা য়াওরকই। মানা মানা লৈরুরিবা মফম-মতমগী মতুংইন্না মান্নদবা থবক তৌরকই। তৌরিবা থবক অদুবু মীওইবনা অমুক খায়দোকপনি- অফবা থবক/ফত্তবা থবক।

রত্নাকার দাকুশা মতম অমদা মীগী মপোৎ মুনবা/হুরানবা/মী হাৎপগী থবক তৌরল্লিবা-মাগী মতু-মচা-ইমুং-মনুং থাক্লবনি। মখোয়গী মফমদদি মহাক অফবা মী অমনি, মহাক্কী থবক্তু অফবনি। অদুবু, মপোৎ-মরল মুনবীখ্রবা, মথ্বায় ফাওবা লৌবীখ্রবা মখোয়গী ইমুং-মনুংগী মীশিংগী মীৎয়েংদগীদি মহাক ফত্তবা মী অমনি। মহাক্না তৌরিবা থবক অদুগী অফ-ফত্তা, অচুম অরান খন্থবা ঙম্নবা লৌশিং অমা হাপ্পীখ্রবা মতুংদা, রত্নাকারগী থবক হোংলকখি, বাল্মিকী মুনি ওইরকখি, মহাকাব্য ‘রমায়ন’ ইরকখি।

মতৌ অদুগুম, হিংনবগীদমক সুফম নোম্ফম খঙদ্রবা সোমালিয়াগী মীয়াম্না মখোয়গী হিংনবগী পাম্বৈ অমা থিরকপদা, সমুদ্র/ঈশিংগী লম্বীদা পোৎ-চৈ পুবা, লল্লোন-ইতিক তৌবা মীশিংদগী পোৎ-মুনবা, মী ফারগা শেলগা ওন্নবগী থবক তৌবা (সোমালিয়ন-সী-পাইরেৎ) থোক্লকই। তালিবানশিংনা মশাগী থাজবা লাইনীং লমবী অমা কন্নবা অকনবা লাঞ্চং চঙশিল্লকপা, আই এস আই এসকী লান্মীশিংনা মুস্লিমখক্তগী ওইবা লৈপাক/তাইবং অমা শেম্নবা ‘অল্লাহ (তাইবং মপু)গীদমক শোক্লবা লান’ অমা লাউথোক্লিবা, ইন্দিয়াগী লৈঙাক য়ানিংদে নীংতম্না লৈজগে হায়দুনা থোক্লক্লিবা লালহৌবশিং, মীয়ামগী য়াইফনবা থৌরাং-থৌশিল য়াৎকনি ৱাশক্তুনা লৈঙাকপা ওইখ্রগা শেঞ্জা-থুমজা তৌদুনা মরন্নাই মরল লেপ্পশিং... মখোয় পূন্নমক্লা তৌরিবা অচৌবা থবক ঙাক্তনি।

ঙসিগী মীরোল অসিদদি ‘থবক’কী কন্সেপ্ত অমদি দিফিনিসন হোংলে। থবক ফংদবা’ (অনইমপ্লোয়মেন্ট) হায়বা ৱাহৈ অমা পুথোক্লক্লে। হুমাং তাদনা শুবা থবক (হ্বাইত কোল্লর জোব) অদুতবু ‘থবক’নি খনবা, হুমাংগী মমল ওইনা ফংবা খুৎশুমল অদুদি থবক্কী মহয়নি খন্দবগী ৱাখল্লোন অমা ঙসিগী মীরোলদা শন্দোরক্লে। মায় পাকপা (সক্সেস) হায়বসিগী পাদম ‘শেল য়াম্না ফংবা’ হায়বসিনা ওইরকপদগী, পুন্সিরোলদা চাউনা অহোংবা লাকপনি। মায় পাক্লবা ওন্ট্রপ্রেন্যুর, নৎত্রগা, অচৌবা কম্পনি অমগী এগজিক্যুটিভ-হুমাং থোক্তে হায়বতনি, থবক সুর-সুরগা হেন্না পোত্থাফম খঙদবা ‘এনজাইটি’ কৌবা অনৌবা পোৎলুম অমা মতম পুম্বদা পুরগা চৎলি। মায় পাক্লবা মীশক অমগী মাঙদা তৌদ’-য়াদবা থবক কয়ানা পরেং পরেং লেপ্তুনা লৈ। থবকশিং অদু অমত্তা চীখ্দনা, মথৌ-মঙম-মহয় অমত্তা চাং তাদনা তৌবা ঙম্বা- অদুবুনি, মীয়াম্না য়ানবা ‘মায় পাক্লবা মী’। মখোয়দদি লৈত্রে, হৌরকপদা পঞ্জখিবা, অফবা নৎত্রগা ফত্তবা থবক খন্থনবা অনীশুবা কোক। শেন্দোং ফংদবা থবক, অদুবু কৌই ফত্তবা। প্রোফিটেবিলিটি ইজ দ মেন কন্সর্ন- শেন্দোং তানবা হায়বদুনা, পূন্নমক্তে মরুওই। প্রোফেসনেল ওইবা কম্পনি অমগী কোক্লেন’দুনা হায়গনি- ‘মীঙোন্দা মীনুংশি পোক্লবগা, নঙনা চরা হেনবগা- অনী’সি করম্বা হেন্না মরু ওইবনো, তাক্লগদবা নত্তে অমনা অমদা, মদুবু কৌই কোর্পোরেৎ কলচর !’ এনজাইটি (ৱাখল লৈতাদবা) হায়বসি-মশানা মশাবু অমদি মখা থাবশিংবু লাকশিনবা ঙমদবা, মহাক্না লোয়নরিবা ওর্গনাইজেসন অদু খঙদবা, মশানা শেম-শাবা ৱাৎহৌবা অমদি তৌফম থোকপদু তৌবা ঙম্লক্তবা- অদুদগী থোক্লকপনি। এসলি ব্লিল্লিঅন্ত কৌবা অমেরিকান ওন্তপ্রিন্যুর অদুনা হায়খি... ‘ঐনা নোংমগী মতম অসিবু অমুক্তদা পুল্লপ পায়শিনগে হোৎনরুই, অদুবু অঙকপনি-মশীং থীঙমদ্রবা নুমীৎ কয়াদা ঐঙোন্দা অমুক্তদা পুল্লপ লাক্দারকখি’। খন্থবীয়ু, মাগী ৱাহৈ অসি য়াম্না ফিলোসোফিকল ওইবনি, মায়ওন কয়া লোঙবনি।

ঙরাংগী মীরোলগা ঙসিগী মীরোলগা- অনীগী খেন্নবা, ঙরাংগী মীরোল, ঐখোয়না খঙনবা হোৎনগদবনি। পুন্সিগী অহোংবা কয়ানা হিংবগী থাক্তি হেনগৎহল্লে। অদুবু, মখোয় মশাদা য়াওজরকপা অমদি শেমগৎচরকপা ‘থবক-ঙম্বগী চাং’ (রিছোর্স) অদুগা লৌশিল্লুবা থবক্কা চানদবা থোকপনা - ‘এনজাইটি’, ঙসিগী নহারোলগী পুন্সিগা ঈরোয়ননা লায়না ওইরকই। অদুনা, মখোয়দা ঐখোয়না ৱাফমসিমক্তং হায়নীংই- ঐখোয়না অদুক্কী মতিক হাথু হাথুরিবমখৈ, ঐখোয় মমাঙ থংবৈ মহুত্তা মনীংদা অসুম লৈথহৌগনি।

লৌশিং পুক্কৈ

# উমং কোকথোকপা, লম্লক্কী শাশিং

## হাৎপা থিংবনা অকোয়বগী ফীভম হেন্না ফগৎহনগনি

মীওইবনা মতম শাংনা হিংনবগীদমক অকোয়বগী এনভাইরোনমেন্ট মওং তানা লৈহনবা হায়বসি য়াম্নমক তঙাইফদে। অকোয়বগী ফীভমনবু শোকচিল্লক্লবদি মীওইবনা মতম শাংনা হিংবা ঙম্বগী ৱাফম লৈতে। অকোয়বগী ফীভম মওং তানা লৈহনবা হায়বসি মীওইবা খুদিংমক্কী থৌদাংনি। মীওইবা খুন্নাইনা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নরবা মতমদা অকোয়বগী ফীভম ফগৎহনবা ঙমগনি। মতমদুদা মীওইবগী পুন্সি মহিংসু ফগৎহনবা ঙমগদৌরিবনি।

ঙসিদি মীওই খুজোক খরনা মশাগী মরন্নাই শেন্দাল লম্বী ওইনা উমং কয়া কোকথোকপগা লোয়নননা লম্লক্কী শাশিং হাৎতুনা য়োল্লি।

উমং কোকথোকপা অমসুং লম্লক্কী শা হাৎপনা এনভাই-রোনমেন্টতা চাউনা অকায়বা থোকহল্লি হায়বা খঙলবসু থৌওং অসি মপুং ফানা থিংবা ঙমদ্রি।

অপীকপবু ওইরবসু অচৌববু ওইরবসু থৱায় পানবা কাঙলুপ অমা খোঙ্গুল মুৎখিবা মতমদা য়াম্না চাউনা মালেমদা অকায়বা থোকহল্লকই।

মরমদি থৱায় পানবা খুদিংমক অমনা অমগী মপান তাঙদুনা হিংনরিবনি। করিগুম্বা সমুদ্রগী ঈমায় শাবা হেনগৎলকপদগী অপীক-অপীকপা তীল-কাঙ খরা শিখিবা মতমদা মদুবু চারগা হিংলম্বা ঙাশিংগী মশিং হন্থরক্লগনি। অমরোমদা মীওইবনা ঙসি শীজিন্নরিবা হীদাক-লাংথক অয়াম্বা পাম্বীদগী শুংবা ঙাক্তনি। অপীকপা তীল-কাঙশিংনা পোলিনেসন তৌরগা পাম্বী অয়াম্বা খোঙ্গুল মুৎত্রিবনি। মরম অদুনা তীল-কাঙ লৈত্রবদি পাম্বীসু মশিং হন্থরকপা মশানা তাবনি।

মালেমদা লৈরিবা খুদিংমক অমনা অমগী মপান তাঙলগা হিংবা মরম্না অকোয়বগী ফীভম ফগৎহনবা হায়বসিদা ঈশামক্কীসু অদুম্মক য়াওরবনি। অকোয়বগী ফীভম ফগৎহন্নবা থবক মচা অমত্তং তৌবদা ঈশাগী য়াইফনবা থবক তৌরবনি হায়না লৌবা য়ারে। ৱাখল্লোন অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা জুন ৫ দা ‘ৱর্ল্ড এনভাইরোনমেন্ট ডে’গী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লম্লক্কী শা-উচেক হাৎলগা য়োনবগী থৌওং পাক-শন্না চত্থরক্লে। দল্লিয়ু দল্লিয়ু এফকী রিপোর্ট মতুংইন্না শুপ্পগী চহী অমখক্তদা ঙা টন মিলিয়ন ১০০, উচেক টন মিলিয়ন ১.৫, মেদিসিনেল প্লান্ট টন ৪৪০,০০০ অমসুং লম্লক্কী শা মিলিয়ন কয়া য়োনবগী থৌওং চত্থরি। মতৌ অসুম্না অরানবা মওংদা চত্থরিবা ৱাইল্ড লাইফ ট্রেদ থিংবা হায়বসিনা চহী অসিগী ৱর্ল্ড এনভাইরোনমেন্ট ডেগী মপুং ওইবা থিমনি।



তোঙান তোঙানবা হীরমদা শীজিন্নবা মরম্না শমু, কৈ, হঙোই, লিন অমসুং অতৈ শা মখল কয়া ফারগা মালেমগী মফমশিংদা পাক শন্না য়োন্নরক্লি। শমু ময়াসু মীয়াম্না পাম্নবা পোৎশক অমনি। কুমজা ১৯৭০ গী পরিংদগী শমু হাৎলগা শমু ময়া য়োনবা হৌনরকখিবা মরম্না অফ্রিকাদা শামু মশিং তংখায় অমরোম হন্থরক্লে। খুদক্তা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎতবা তারবদি চহী ১০ গী মতুংদা অফ্রিকাগী শমু খোঙ্গুল মুৎখিবা য়াই হায়না মীপায়নরি।

সেভ দ ইলিফেন্টস কৌবা ৱাইল্ড লাইফ ওর্গনাইজেসন অমনা হায়খি, কুমজা ২০১৪ দা শমু ময়া কিলোগ্রাম অমদা দোলর ২,১০০ দা য়োন্নরি। মরম অদুনা শমু ময়া লৌনবগীদমক চহী অমদা অফ্রিকান ইলিফেন্ট ৩৫,০০০-৫০,০০০ লোম হাৎলি। শা কয়াগী মতু, ময়া অমসুং মউন য়োনবদা শেল য়াম্না ফংবা মরম্না থৌরাং অসি পাক-শন্না লৌখৎনরকপনি।

য়ুনাইটেদ নেসন্স ইকনমিক প্রোগ্রাম (য়ু এন ঈ পি) অমসুং ইন্টরপোলগী অপূনবা রিপোর্ট মতুংইন্না তোঙান তোঙানবা শা মখলশিং হাৎলগা য়োনবদা দোলর বিলিয়ন ২৫৮ লোম তানবা ঙল্লি। হীরম অসিগা মরী লৈননা নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনলগী থাক্তা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তারে হায়না য়ু এন ঈ পিনা ফোঙদোকখি। এনভাইরোনমেন্টেল ক্রাইম মায়োক্লবদা ইন্টরনেসনল এজেন্সীশিংনা য়াল্লবা শেনফম কয়া মাঙলি।

আর্টিকেল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# মপোক কুমওন পাঙথোক্তুনা খোরিরোলগী মনা লাম্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচ এন এস) :

মচা চনু ককচিংগী ২০শুবা মপোক নুমীৎ থৌরমগা লোয়নননা তোঙান তোঙানবা খোরিরোলগী মনাশিং ঙসি লাম্থোকখ্রে।

ঙসি ককচিং দিষ্ট্রিক্তকী ককচিং ফৌসুপাৎ লৈকায়দা লৈবা লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচিংগী মীপুনশঙদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা নোংমাইথেম কিরনকুমার, কনভিনর মণিপুর লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দ সাহিত্য একাদেমী ন্যু দেল্লীনা অথোইবা মীথুং; ক্ষেত্রিবিরা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দীসু ওইরিবা সাহিত্য সেবা সমিটি মণিপুর, ককচিংনা অখন্নবা মীথুং অমসুং ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী প্রসিদেন্ট মচা চনুনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

মচা চনু ককচিংনা চহী ২/২ খূদিংগী ওইনা পীবা খোরিরোলগী মনা চহী অসিগী ওইনা ফংখ্রবশিংদি নাওরেম ইবোতোম্বী, থবক্তগী পোত্থারবা প্রিন্সিপালনা কৎপা, মহাক্কী লৈখিদ্রবা লোয়নবীগী মীংদা পীবা ‘নাওরেম সনা নীংশিং খোরিরেলাগী মনা’ চহী অসিগী ওইনা শক্লাইরবা অইবা মাইবম নবকিশ্বর, সাহিত্য একাদেমী এৱার্দীনা মহাক্লা খোরিরোলগী চাউখৎনবগীদমক কথোকপগা লোয়নননা লৌরিবা থৌদাং অদুবু মশক খঙবা ওইনা খুৎশিন্নখি।

থবক্তগী পোত্থারবা প্রিন্সিপাল নাওরেম গনধারনা কৎপা, নুপী অইবীশিংদা খক্তমক পীবা খোরিরোলগী মনা ‘মচা চনু খোরিরোলগী মনা’না শক্লাইরবী অইবী য়েংখোম ইন্দিরা, থৌবালদা লৈবীদা মহাক্লা নুপী অমা ওইনা মণিপুরগী খোরিরোলদা কথোকপগা লোয়নননা হোৎনরিবা থবক থৌরমশিংবু মশক খঙবা ওইনা মনা অসি খুৎশিন্নখি।

ককচিং নিংথৌ লৈকায়দগী চন্দ্রশখি লাইশ্রমনা কৎপা ‘চন্দ্রশখি লাইশ্রম লাইভ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ’না মণিপুরগী শক্লাইরবা লাই য়েকপা, দ্রামা অমদি ফিল্ম কয়াদা য়াওদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌরিবা নাওরেম অহলজাওদা মনা অসি খুৎশিন্নখি।

ককচিং ৱাইরিদা লৈবী দেবজানিনা কৎপা ‘দেবজানি ককচিং লাইভ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ’না দ্রামা, শৈরেংনচিংবা ইবখক্তা নত্তনা ককচিং লমদমদা খোরিরোলগী লূপ কয়া লিংখৎপদা শরুক য়ারকপদা নত্তনা খোরিরোলবু চাউখৎনবা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লিবা শ্রী লেখাকতা মনা অসি খুৎশিন্নখি।

ঙসি লাম্থোকখিবা মনাশিং অসিদা শেল, শকখঙচে অমসুং ইন্নফি অমমম য়াওরি। মনা ফংখ্রবশিংনা পুন্সি ৱারীগী শন্লপ্পা ৱারোলশিং পীবা অমসুং শক্লাইরবা অইবা-অইবীশিংনা শরুক য়াদুনা শৈরেং শৈদিন্নবা অমসু পাঙথোকখি।





# নেসনল এৱার্দ পীরক্লে

ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচ এন এস):

গুরু মুতুম মোধু আর্ট কলচরেল একাদেমী ইম্ফালগী শক্লাইরবা দিরেক্টর মুতুম ওপেন্দ্রোবু আর্ট অমসুং কলচরগা লোয়নননা লিটরেচরগী লমদা মতম শাংনা থবক তৌরকখিববু শকখঙবা ওইনা ভারতিয়া দলিট সাহিত্য একাদেমী ডা. অম্বেদকর নেসনল ফেল্লোশিপ এৱার্দ ২০২২ (ন্যু দেল্লী) পীরকখ্রে হায়না গুরু মুতুম মোধু আর্ট কলচরেল একাদেমী ইম্ফালগী জেনরেল সেক্রেটরি নেলসন মুতুমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, গুরু মুতুম মোধু আর্ট কলচরেল একাদেমী ইম্ফাল অসিগী মেম্বর ওইরিবা কোঞ্জেংবম বাম্ভাদসু মনা-মশিংগী লায়েংদা মতম শাংনা থবক তৌরকখিবা অদুবু শকখঙবীবা ওইনা হার্বেল ৱার্করগী লমদা মহাকপুসু ডা. অম্বেদকর নেসনল ফেল্লোশিপ এৱার্দ ২০২২ (ন্যু দেল্লী) পীরকখি। মখোয় অনীনা এৱার্দ অসি ফংলকপগীদমক ঙসি কৈশাম্পাৎ মুতুম লৈকায়দা লৈবা ওফিসতা একাদেমী অসিগী এদভাইজর ওইরিবা ডা. এন শরতচন্দ্রনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা হরাও-তয়াম্বা ফোঙদোকপগী থৌরম অমদা অচম্বা খুদোলপোৎ তমদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখি। লোয়নননা থৌরম অদুগী মনুং চন্না একাদেমী অসিদা মরুওইবা থৌদাং লৌরিবা ওজা-গুরুশিংনা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোকখি হায়না চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

# নুমীৎ খরনি ঈশিং ফংখিরোই

ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচ এন এস) : অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎনা মরম ওইদুনা ইরিলবুং ৱাটর ট্রিটমেন্ট প্লান্টগী পৱার লাইন তৎপা য়াওবদগী ৱাটর ট্রিটমেন্ট প্লান্ট অসি মথৌ তৌবা য়াদবনা ইরিলবুং ৱাটর ট্রিটমেন্ট প্লান্টনা কোল্লিবা মফমশিংদা মপুং ফানা প্লান্ট অসি শেমজিন্দ্রিবা ফাওবা ঈশিং থাবা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরে। মরম অদুনা পৱার লাইনশিং অসি মপুং ফানা শেমজিন-শাজিনবা হেক লোইবা মতুং মহৌশাগুম ঈশিং থাবগী থবক হৌরগনি হায়না ৱাটর সপ্লায় প্রোজেক্ট কন্সত্রক্সন দিভিজন, পি ঐচ ঈ দি মণিপুরগী এগজিক্যুটি এঞ্জিনিয়র কে এস ঐচ তোম্বীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# অৱাবা ফোঙদোকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচ এন এস) :

লমদম অসিগী শক্লাইরবা ভাইওলিন খোংবা অমদি ম্যুজিক কম্পোজর ওইবীরম্বা হৈস্নাম জগৎনা ইখঙ খঙহৌদনা থা অসিগী ২৬তা লৈখিদবদা প্রোগ্রেসিভ আর্টিষ্ট লেবোরেটরি (পাল)না অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা ঙসি পালগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে হায়না পালগী সেক্রেটরি ৱাই রেক্সিলানা থাদেরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ঙসি পালগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অদুদা পালগী দিরেক্টর এন টিকেননা থৌরম মপু ওইখি। অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। লোয়নননা লমদম অসিগী শক্লাইরবা ভাইওলিন খোংবা অমদি ম্যুজিক কম্পোজর ওইবীরম্বা হৈস্নাম জগৎনা হিংলিঙৈ মতমদা প্রোগ্রেসিভ আর্টিষ্ট লেবোরেটরি (পাল)গী দান্স দ্রামা ১০ অমদি সোলো দান্স কয়াদা ম্যুজিক্সিয়ন ওইনা শরুক য়াখি। অসিগুম্লবা শক্লাইরবা আর্টিষ্ট অসিনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবা অসি পালগী ওইনদি মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা অমা ওইহৌরগনি। মহাক্কী থৱায়না ঈংনা চিক্লা মপুগী লৈকোলদা লৈরুনবা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা থৌনিজ খিবগা লোয়নননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

# কাদাগী কুমজা ২০২২-২০২৫গী থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচ এন এস) :

কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা)গী চাংনাইনা চত্থরকপা জেনরেল বোদি মীটিং পাঙথোক্তুনা চৎলিবা চহী ২০২২-২০২৫ গী ওইনা নৌনা থৌ পুগদবা/পুগদবীশিং খনখ্রে হায়না কাদাগী সেক্রেটরি জেনরেল গীতচন্দ্র মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ঙসি অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা কোনুং মমাঙ পুরৈরোম্বা খোংনাং মখোঙদা লৈবা কাদা হেদ ওফিসকী কন্নফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমারনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি। পাঙথোকখিবা জেনরেল বোদি মীটিং অদুদা কুমজা ২০২১গী এন্যুএল এক্টিভিটি রিপোর্ট অমসুং এন্যুএল ষ্টেটমেন্ট ওফ একাউন্ট পাস তৌখি। লোয়নননা কুমজা ২০২২-২০২৫ টর্মগী নৌনা থৌ পুগদবা এগজিক্যুটিভ কম্মিটি অমসু য়েৎনবা লৈতনা খনখ্রে।

কাদাগী কুমজা ২০২২-২০২৫গী নৌনা থৌ পুনবা খল্লবা মীওইশিং অদুদি, প্রসিদেন্টতা হিজম প্রিয়োকুমার, ভাইস প্রসিদেন্টতা নিংথৌজম দোরেন অমসুং দিপাঞ্জিৎ নিংথৌজা, সেক্রেটরি জেনরেলদা গীতচন্দ্র মঙাং, সেক্রেটরি ফাইনান্সতা প্রেমচান্দ সলাম, সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসনদা ককচিংতাবম হরিচন্দ্র, সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটিদা কে ঐচ আনন্দ, সেক্রেটরি ৱিমেন এফেয়র্সতা তখেল্লম্বম ওংবী পুর্ণিমা, সেক্রেটরি দ্রাইভতা ময়েংবম বুধি, সেক্রেটরি হেল্থ এন্দ স্পোর্টসতা পুয়াম ওংবী প্রমোদিনি, এগজিক্যুটিভ মেম্বরদা লোংজম ব্রোজেন অমসুং শিন্থা লাইশ্রমনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।





# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৮।০৩।২০২২ ইং, নিংথৌকাবা;
লমতাগী ২৬ নি পানবা।

**মেষ:** অরং-অরাক ফংবগুম নুংঙাইবা, হকচাং নুংঙাইবা, অকল অথৌগী থবক্তা চাওনা মায় পাকচবা, পল্লম্বা থবক অমদি লল্লোন-ইতিক্তা য়াম্না কান্নগদবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**বৃষ:** অঙনবদা নীংবা মপা চাদ্রবসু থেংলপ্না নুংঙাইবা অমদি য়েক্লববু লাকশিনবা ঙম্বা নুমিৎনি। লৌশিং চাওবা মীগী ৱা তাদ্রদি মরম চাদনা শেল হেন্না থাদগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

**মিথুন:** থাজদবা মরমদগী ওইজ-ওইথক ফংগনি, ইচঙ থৌনা অফবা থবক পাঙবা ঙমগনি, অৱাবা খরা থেংনরসু মমৈদা নুংঙাইবা অমদি মীয়াম্না চানবীবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**কর্কট:** নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংগনি, ৱাখল থোকপনা খন্থরগা পাঙবা থবক শোয়দনা মায় পাক্কনি। নাপল অমদি অশাওবনদি মাঙহনগনি। ঈংথবনা অশিংবা তাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

**সিংহ:** অফবা থবক পাঙবা, নরল চাওখৎপা অমদি শেন্দোং চাওনা ফংবা নুমিৎনি -খুৎচাও থাহৌবা কান্নগনি। মীংচৎ তানবসু য়াগনি অমদি ৱাখল তামিন্নবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**কন্যা:** লাই-গুরুনা চানবীগনি, লন ফংবৈ নুংঙাইজবা অমদি ৱানোম থৌনোম কান্নবা লৈ। অদুবু লৌশিং তান্নবা মরম অমদি অরানবা পাম্বৈ শীজিন্নবদদি মায়থিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী হান্নগুম ফরি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**তুলা:** শেল-থুম ফংগনি, ইচঙ থৌনা থৌ পাঙলদি কনানসু লাকচবা ঙল্লোই, মীয়াম লোয়নবসু নুংঙাইজবা ফংগনি। মরম চারদি অরুবা ৱারেপ লৌবা য়াগনি-চিংনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা লুনা খল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**বৃশ্চিক:** শেন্দোং চাওনা ফংগনি, নথক থোংবনা লুনা চান্না তৌবীগনি অমদি য়েক্লবা লৈরম্লসু লায়না খুদুম চনগনি। অদুবু লাঙতক্লবা অমদি য়েৎনবদি মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**ধনু:** কল্লকপা অমদি য়েংথিবা য়ামখৎলকই-থিবা হুম্বা কল্লু অমদি চিন য়াংগনু। থেংলপ্না নুংঙাইবা, লন চঙবা অমদি য়েক্লবা ঙমজবা লৈগনি। পঙশিন্নবগী কান্নবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**মকর:** ৱাখল নুংঙাইজবা, অনৌবা থৌরম পাঙবা য়াবা অমদি নচা-ননাইগী লমদা পুক্লিং পেঞ্জবা নুমিৎনি। ইচঙ থৌবগী কান্নবা লৈগনি অমদি মীনা লাকচবা ঙল্লোই।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং নুংঙাইগনি।।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কুম্ভ:** অনৌবা থবক পায়গনু অমদি মতাং চাদনা অনম তানবা অমদি থৌনা ফুদোকপা তৌগনু-মাঙবতা নংগনি। হান্নদগী পাঙলকপা থবকশিংদদি অমাঙবা লৈরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং ফাথনা লৈউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

**মিন:** নীংবা থুংগনি, অরং-অরাক ফংগনি, অনৌবা থৌরম পাঙগনি, থিজিনবা কনবনা অফবা মহৈ ফংবগী নুংঙাইগনি। মরুপ খনবা হৈত্রদি চোপকনি-চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা খরদি থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।